**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 31-03-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ৩১-০৩-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্য অসিদা মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ অনিগী কাদর অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

২) মেট সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি-রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নুমিৎ হুমি মরীনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

**অমসুং**

৩) গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা হায়রি-লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজমনা শোকহল্লবা মফমশিংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী সরকার লাকপদগী মফমশিং অদুদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি।

----

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ অনিগী কাদর অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমদি অতৈ আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিংদা চেন্নবশিং ফাগৎনবগী চংশিল্লকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ওপরেসন চথখি। মদুদা, ককচিং জিলাগী হিয়াংলম পুলিস স্টেসননা কোনবা ৱাবগাই থিংঙেন লৈকাইদগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মশানা মশাবু সর্জন মেজরনি হায়বা মীওই অমা ফাগৎখি।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক খোইরোম মথক লৈকাইদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কাদর অনিসু সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ফাগৎখি। মখোয় অহুম্মক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

**হাইৱে (এল)ঃ** মণিপুর মীয়ামগীদমক নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱেশিংদা পুশিল্লকপগী থবক লেপ্তুনা চথরি। ঙরাংসু নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎচৈ পুবা গারি ৩০৩ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা চংলকখ্রে। মখা তানা গারি চখোক চৎশিনদা অয়েৎ অপন থোক্তনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিং মরুওইনা ইরাং থোকনবা অমদি মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী কনভোইশিং থমদুনা ঙাকশেলগী থবক পায়খৎলি হায়না মণিপুর পুলিসনা হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর ওইনা হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চেক পোইন্ট ১১৫ হাংদোক্তুনা থল্লি। মসিদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবকসু লেপ্তুনা চথরি।

**সিএম (এল)ঃ** চাইনাদা পাঙথোকখিবা ১০ শুবা ৱার্ল্ড জ়নিয়র ৱুশু

চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ তা চাউনা মাই পাক্লকপদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংনা রাজ্য অসিগী মীংচৎ পুরক্তুনা লমদম অসিগীদমক তকমান কয়া পুরকখিবা অসি ঐখোয় পুমক্কী চাউথোকচনিঙাইনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা উপেন্দ্রো থোঙাম, নোংমাইথেম পামহৈবা সিংহ অমদি লোইতোংবম ভিক্তরনা সনাগী তকমান ফংখি। কোন্থৌজম দেবীকারানিনা লূপাগী তকমান অমদি লনচেনবী চনু রাজকুমারীনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংখিবনি।

অমরোমদা, দাকরদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুথ ওলেম্পিক গেমস ২০২৬ তা শরুক য়ানবগীদমক খল্লক্লবা লনচেনবী চনু রাজকুরী অমদি লিন্থোইঙম্বীবু মুখ্য মন্ত্রিনা য়াইফ মঙ্গোল পীরদুনা রাজ্য অসিগী মায় পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

**নোং (এল)ঃ** মেট সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি-রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নুমিৎ হুমি মরীনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই। রাজ্য অসিগী জিলা পুমমক্তা লাক্লিবা নুমিৎ মরীনি অসিদা পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংনা শিৎপা নুংশিৎ য়াওনা নোং চুরবা য়াই। কাংপোকপী, উখ্রুল, কামজোং, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল অমদি চান্দেল জিলাদদি হয়েং ফাওবদমক ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই হায়রি।

**সনাজাউবা (এল)ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা ঙরাং রাজ্য সভাদা অৱাং নোংপোক লমদম অসি চীংগী লম্বীনা অয়াম্বা ওইবনা নোংজ্ নুংশাগী অৱাবা কয়া মায়োকরি। ফিভম অসিদগী ঙাকথোকবা লমদম অশোমদা ৱেদর মোনিটরিং সিষ্টেম মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎপীয়ু হায়না ফোঙদোকখ্রে। শ্রী সনাজাউবনা হায়-দোপ্লর ৱেদর রাদর(দি.দব্লিউ.আর)গী মতেংনা ঈশিং ঈচাউ থোক্কদবা, নোংলৈ নুংশিৎ লাক্কদবশিং মাংজোননা মীয়ামদা খঙহনবা

অমদি চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবগী তাঞ্জা ফংহল্লি। দি.দব্লিউ.আর অসি অসামগী ওইনা মফম মরিদা, অরুনাচল প্রদেশকী ওইনা মফম অনিদা, মিজোরম, নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরগী ওইনা মফম অমখক্তদা থল্লি।

**বিমোল (এল)ঃ** লোক সভাদা এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মণিপুরদা মীতোপ খন্দোক্লবা মতুংদা সেন্সসকী থবক পায়খৎপীনবা লোক সভাদা তকশিনখ্রে।

ডাঃ বিমোলনা গৃহ মন্ত্রি অমতি সাহদসু হিরম অসিগী মতাংদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। চেরোল অদুদা হায়- রাজ্য অসিদা মীতোপ মীয়ানচাশিং হান্না খন্দোক্লবা মতুংদা সেন্সসকী থবক অসি পায়খৎপীয়ু।

**চান্দেল (এল)ঃ** অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা সরকারনা পায়খৎপা প্রধান মন্ত্রি নেসনেল এপরেন্তিসশিপ প্রোমোসন স্কিম(পি.এম.এন.এ-পি.এস ২.০) গী মতাংদা ঙরাং চান্দেল জিলাদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে। রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ক্রাফটসমেন ত্রেনিংনা শিন্দ্না জিলা অসিগী কোল্লাথাবীদা লৈবা য়ুনিয়ন মোদেল হাই স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পি.এম.এন.এ-পি.এস ২.০ গী কান্নবা অমদি মসিনা ইন্দষ্ট্রিগী লমদা পীরিবা খুদোংচাবশিংগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা, মহৈরোইশিং, ইন্দষ্ট্রিগী মীহুৎ কাংবুশিং অমদি অতৈ ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি।

**শাহঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা হায়রি-লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজমনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম পায়খৎপা মতমদা মখোয়না অথিংবা পীদুনা লাকখিবা অদু হৌজিক্তি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী সরকার লাকপদগী মফমশিং অদুদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং লেপ্তুনা

পায়খৎলি। ৱাফম অসি মহাকা ঙরাং লোক সভাদা লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজমদগী ঙাকথোকবা লৈবাক অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্নরকপদা পাউখুম ওহনা পীখিবনি।

শ্রী শাহনা হায়-নক্সলাইটশিংনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য ১২ দা রেদ কোরিদোর শেল্লমখি। মখোয়না চথুবা হিংশাগী থবক্তা মীওই লিশিং ২০ গী মথক্তা লৈখিদবতা নত্তনা মীওই কোতি ১২ হৌজিক লাইরবগী পনখৈ মখাদা হিংলক্লি। হৌখিবা ইং ২০১৪দা মোদি সরকার লাকপদগী নক্সলাইটনা শোকহল্লবা মফমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা পুলিস স্তেসন ৫৯৬ হাংদোকখ্রে। মসিদসু নত্তনা হৌখিবা চহী ৬ অসিদা সি.এ.পি.এফ য়ুনিট ৪০৬ সু শেমগৎখ্রে। ইং ২০২৪ দগী চহী অসিগী মার্চ ফাওবদা নক্সলাইট ৭০৬ হাৎখ্রে। হৌজিক ফাওবদা নক্সলাইট ২১৮ ফাগৎখি অদুগা, ৮৩৯ না সরকারদা চংজরকখ্রে হায়রি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি গুজরাত্তা চৎকনি। মহাকা গুজরাৎতা হেক থুংবগা গান্ধিনাগরদা লৈবা সমরাত সম্প্রতি ম্যুজিয়ম শঙ্গাগনি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংগনি। তুংদা, অহেমদবাদকী সনানদা নৌনা শাবা কেন্স সেমিকোন প্লান্ট শঙ্গাগনি। মফম অদুদা, মীয়ামগী মীফমদসু প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংগনি। শ্রী মোদিনা ভাব-থারাদতা চত্তুনা মফম অদুগী লূপা কোতি লিশিং ২০ লোমগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা যাত্রা হুনগনি, খরগীনা শঙ্গাগনি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা বিহার অমদি কর্নাতকাদা চৎগদৌরি। রাস্ত্রপতিনা ঙসি মহাক্কী খোঙচৎকী অহানবদা বিহারগী রাজগিরদা লৈবা নলনদা য়ুনিভর্সিতিগী কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়াগনি। হয়েংনা কর্নাতকাগী তুমাকুরুদা পাঙথোকপা ডা.শ্রী শ্রী শিভাকুমারা

মহাস্বামিজিগী ১১৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরম, গুরুবন্দনাদা শরুক য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এম.পি বিমোলনা সেন্সস য়েথোকবা সভাদা পুখৎখিবগী পাউ, এন.আর.সিগী মতাংদা মীয়ামগী ইহৌ অমদি আই.দি.পিশিংগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

এম.পি বিমোলনা মণিপুরগী সেন্সস য়েথোকবা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখ্রে হায়বা পাউ অসি- পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। এন.আর.সি তৌদ্রিবা ফাওবা সেন্সস য়েথোকপীয়ু, মণিপুরগী ফোরেইনর ট্রাইব্যুনেল অমা লিংখৎপীয়ু, ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দর মপুং ফানা ঙাক্লগা থন্বীয়ু হায়বা অসিনা- সব হেদলাইন ওইনা পীরি।

চিফ সেক্রেটরিনা আই.দি.পিশিং ময়ুমদা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনগনি হায়না থাখিবা মার্চ ৩১ ঙসি লোইরে হায়না হুইয়েন লানপাউদা বেনর হেদলাইন তৌরি। লৈঙাকা য়ুম শানবা পীরকপা লূপা লাক্ষ ২৪ আই.দি.পিশিং শওম্বুংগী বি.দি.ও ওফিসতা লাক্লবা হন্দোকখ্রে হায়না- সব হেদলাইন পীরি। পাউ অসিগী মনুংদা- ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা হাংবা রিলিফ কেম্প ১১ ঙসিদগী থিংজিল্লগনি, নোদেল ওফিসরশিংনা আই.দি.পিশিংগী রিসেতলমেন্টকীদমক থৌদাং লৌগদবনি হায়বা পাউ অমসু বোক্স আইতেম ওইনা ফোঙলি।

ফুরুপ খুদিংমক অমত্তা ওইনা লৈরসনু হায়বা চিফ মিনিষ্টর খেমচান্দগী ৱাফম- সঙাহ্ এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এন.আর.সি. তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়বা মীয়ামগী খোল্লাউ হেন্না কনখৎলক্লি হায়বসিনা- সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নোর্থ ইষ্টতা ৱেদর মোনিটরিং সিসতেম মতমগা চুননা শেমগৎনবা এম.পি সনাজাওবনা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা- নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- বিষ্ণুপুর দি.সিনা আই.দি.পিশিংদা পোৎচৈ কয়া য়েন্থোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা- ইম্ফাল এয়রপোর্টতা গঞ্জা ফাবগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

হোংবৈ মীহাৎতা চেন্নবা মীওইশিং পুং ১২ ফাওবগী মনুংদা সি.এস.ওশিংদা শিন্নবা এন.এস.সি.এনদা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- য়ু.এন.সি অমদি অনসমনা শান্তি অমদি পুন্না হিংমিন্নবগী আপিল তৌবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- চীংগী রাজ্যশিংগীদমক কেন্দ্র সরকারনা লূপা কোতি লিশিং ২৫ কাইথরকপদা মণিপুরগী লূপা কোতি লিশিং ২,৪০০ য়াওরক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- এন.এস.সি.এন-আহ.এমনা

এন.এস.সি.এন-ঈ.এফ কাদর মরি হাৎখিবগী মায়োক্তা উখ্খুল বন্দ কৌখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**--- পাউ লোইজরে ---**